www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,371 | 22 Carat/g : ₹ 14,015 | 1 Kg Silver : ₹ 2,55,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,550 | WEATHER: Light Rain | Temperature 30/23°C | Sunrise: 04:44 AM | Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 247 | IMPHAL, SATURDAY, AUGUST 15, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, থৱানগী ৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## লংকাদা কুকিনি চিংনবশিংগী এটেক্তা ২ লৈখিদ্রে, ২ শোক্লে, সটদাউন তৌখ্রে

### খুৎ নাম্মনা শান্তি হায়বা, নাম্মনা নোংমৈ কাপ্পগী ফিভমদা লৈরেঃ বিরেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লিয়াংমাইশিংনা খুন্দাবা লংকা খুলদা কুকি খুৎলায় পায়বা ওইগনি চীংনবশিংনা চথরকপা এটেক্তা লিয়াংমাই নাগাগী খুঞ্জা ২ লৈখিদ্রে অমদি ২না অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অদুগী মায়োক্তা লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল মণিপুরনা লিয়াংমাইনা তাবা মফমশিংদা সটদাউন লাউথোকখ্রে।



লাইবক থীবা থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তারকপা অদুৱাইদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা আই টি রোদতা লিয়াংমাইশিংনা খুন্দাবা লংকা নাগা খুলদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি ৱিরলাংবৌ চৱাং (৩৪) অমদি খৱিদিনাং অবোনমাই (৫৫)নি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না থৌদোক অসি কুকি খুৎলায় পায়বা ওইগনি চীংনবশিংনা মাঙজৌননা ...মখা লমায় ৫দা...

### পার্টিসন হোরর রিমেম্বরেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

## ফুরুপ খেন্নৈ হায়দুনা ঐখোয় মশেল খাইবুং তানবা হোৎনরোইসিঃ ভল্লা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা মচৎশিং অসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তানবা কৈদৌনুংদা হোৎনরোইদবনি হায়না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা 'পার্টিসন হোররস রিমেম্বরেন্স দে'গী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৪৭তা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থান অনী পার্টিসন তৌখিবা অদু ইন্দিয়ান সব কন্টিজেন্ট অসিগী পুৱারিদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমদি অমন্বা



থৌদোক অমনি। পার্টিসন অদু লমগী টেরিটোরি খায়দোকপা খক ওইখিদে। থৌদোক অদু মীওইবা খুন্নাইগী অচৌবা ট্রেজিদি অমনি। লৈবাক অসিগী পুৱারীদা থোকখিবা থৌদোক কয়া নুংঙাইনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লি। অদুবু থৌদোক খরদি হনগৎনা য়েংবা অমদি মদুদগী পারা অমা তম্বা ওইরি। ...মখা লমায় ৫দা...

### মোইরাং কোলেজদা চথগদবা ট্রেনিং তৌহনখিদ্রে

## সেন্টরদা পাউ য়ৌখ্রে, রিকমেন্দেসন তৌনবা খন্ননবা থাজবা পীরক্লেঃ জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

সেন্সস তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা এন আর সি তৌগদবনি হায়বা জে এফ দিগী দিমান্দ অদুগী মতাংদা লৈঙাক্কী ফিরেপ খঙদোক্লবা জে এফ দিনা গভর্ণর উনদুনা পাউখুম থৌবগী খোঙচৎ অমা চথখ্রে। ঙসি নুমিদাং চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরগা উনদুনা সেন্সস অমদি এন আর সি অপদেট তৌবগী মতাংদা ৱা খন্নরগনি হায়না গভর্ণরনা থাজবা পীরক্লে হায়না জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্তা জে এফ দি অমদি



মীয়ান্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা পীরক্তবনা মরম ওইরগা জে এফ দিনা ঙসি গভর্ণর উনদুনা পাউখুম থৌবগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

মৈতৈ, নাগা অমদি মৈতৈ পাঙল ফুরুপকী মীওই কয়ানা থা অসিগী ১০দগী অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ ক্লবতগী লোক ভাবন তম্না ...মখা লমায় ৫দা...

## বৃটিসকী খূৎতগী নীং তম্বগা ইন্দিয়াগী লোইলম মখাদা ঙসিসু হিংলিঃ সঞ্জয়

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

কুমজা ১৯৮৭তা বৃটিস লোয়লম লৈঙাক্তগী নীং তম্বা হেক ফংবগা চহী ৩ ফাদ্রিঙৈ ইন্দিয়ানা অমুক লৌশিন্দুনা চপ মান্নবা লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা ঙসিসু হিংলি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট সঞ্জয় সোরোখাইবম্না ফোঙদোকখ্রে।

অমুকো, অমাৱোভা, পি এল এম পি এ এম, কোহর অমদি এম এস এফ হায়রিবা লূপ ৫ অসিনা পুন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ৭৯শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না অমুকো ওফিস মমাঙদা ইবুধৌ পাখঙবা য়েকপা ফিরাল চিংখৎখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সঞ্জয় সোরোখাইবম্না হায়, কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা বৃটিসকী মখূৎতগী ...মখা লমায় ৫দা...

## য়েলহৌমী মুখৎপা হায়বসি ঐখোয়দা চেল্লম্বা ৱাখল্লোল মাঙহনখিবা অদুনিঃ সিরকা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

য়েলহৌমী মুখৎপা হায়বসি লৈরিবা মীওই খূদিংমক থৱায় মাঙহনখিবা অদু নত্তে। য়েলহৌমী অমা ওইবগী ঐখোয় ইশাদা চেল্লম্বা ৱাখল্লোল অদু মপূং ফানা মাঙহনখিবা অদুবুনি হায়না কোলিয়েসন ওফ ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেইন মণিপুর (সিরকা)গী প্রসিদেন্ট থোকচোম সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরকানা শীন্দুনা কৈবী মনিং চীংদা পাঙথোকখিবা ৮০শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেস দেগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পেত্রুকলৈ মচুদা মালেম পুবা পাফল য়েকপা ফিরাল চিংখৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোমোরেন্দ্রোনা হায়, পুৱারীদা ইদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা তৌরক্ত্রবদি বি জে পিদগী তোক্কনিঃ সুসিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা ইহুল খঙনা থবক তৌরক্ত্রবদি বি জে পিদগী তোল্লবসু তোক্কনি। সুসিন্দ্রো ইস্তুনবা হোৎনবদা গ্রুপিজম শাগৎপা তোকসি হায়না খুরাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি খুরাই মন্দলনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা খুরাই টিন্সিদ রোদতা লৈবা এম এল এ সুসিন্দ্রাগী য়ুমদগী হৌরগা খুরাই থোঙাম লৈকাইদা লৈবা খুরাই পোপুলর হায় স্কুলগী লম্পাক তম্না লাকখিবা হর ঘর তিরঙ্গগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

খোঙচৎ অদু শরুক য়ারদুনা এম এল এ সুসিন্দ্রোনা হায়, বি জে পি হায়বসি পার্টিগী ওইনদি ফত্তবা নত্তে। অদুবু পার্টি ...মখা লমায় ৫দা...

## ২২ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) গী ২২ শুবা মপোক কু মওন নুমিৎ থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ১৩১ শুবা বাট্টালিয়নদা মপূং ওইনা পাঙথোকপগা লোইননা সিঐচক্যু, জিঐচক্যু, কম্পেনি, মোবাইল য়ুনিটশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দরশিংগী মখাদা তম্পাক্কী মফমশিংদসু পাঙথোকখি হায়না আইননা থিংখ্রবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

৮০ শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী কোম্মেমোরেসন অচম্বা থৌরম অমা ওইনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকি সেন্ট্রেল হেদক্বার্টরদা ঙসি ১৪ ওগষ্ট ২০২৬ নুমীৎ অসিদা পাঙথোকখ্রে হায়না পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকি দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেসনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা ...মখা লমায় ৫দা...

## য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়াগী ৮০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেনা লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা, চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা থাদোরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

## এম কে ভি আই বিগী সি ই ও হাপ্লকপা মীয়ামগীনিঃ সনাজাউবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকি চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সি ই ও) হাপ্লকপা মীয়ামগীনি। বোর্দ অসিগী ওফিসর খরগী চয়েৎনবা এপোইন্টমেন্টগী মতাংদসু লৈঙাক্না পাউ ফাউনরি হায়না এম কে ভি আই বিগী ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

নোয়বু লৈঙাক্না থাদোকপা য়াখ্রেদাইনে



দেমোক্রেসিনে মীফাও ঙ্তান তাহনবা ঙমদ্রকানসিদা




সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# লৈঙাক্লা প্রোপোজ তৌখিবা বিল মখা তানা খন্নবা মতম লৌখিবা ওপোজিসন পার্টিগী মায় পাকপা অমনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): হৌখিবা জুলাই ২০দগী চথরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা পাস তৌনবা হোৎনরম্বা বিল কয়া মখা তানা খন্নবগীদমক মতম লৌখিবা অসি ওপোজিসন পার্টিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী স্পোক্সপার্সন জয়রাম রামেশ অমদি অসামগী এম পি গৌরব গোগোইগী মায়কৈদগী দ্রবিদা মুনেত্রা কাজাগম (দি এম কে)না দিলিমিটেসনগী মায়োক্তা লেপখিবা অদুনা ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিদা দিলিমিটেসনগী প্রোসেস চথবা হৌনবগীদমক প্রোপোজ তৌরকখিবা দিলিমিটেসন বিল অদু মখা তানা খন্নবগীদমক মতম লৌখিবনি হায়না দ্রবিদা মুনেত্রা কজাগমবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



এ আই সি সিগী জয়রাম রামেশনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা পাল্লিবা এজেন্দা অসি মখা তানা পুখত্তুনা লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌনবগীদমক পার্টি অসিদা লোয়বা নাইদবা রিছোর্স কয়া লৈ। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা তুংগী মতম অসিদা ওপোজিসন পার্টিগী লৈরিবা মেম্বরশিংনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনমিন্নসি।

দিলিমিটেসনগী মায়োক্তা টামিলনাদুনা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা য়ান্না চাউনা নীংবা কায়হনখি। বি জে পিনা লৈবাক অসিদা দিলিমিটেসনগী থবক মখা তানা চঙশিন্নবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎলক্লবসু কৈদৌঙৈদা মায় পাক্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি। দিলিমিটেসনগী বিল মখা তানা খন্নবা হোৎনবদা কোংগ্রেস পার্টিনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। হায়রিবা বিল অসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ১৩০ শুবা কন্সটিট্যুসন্দা নৌনা এমেন্দ তৌদুনা ক্রিমিনেল চার্জদা চেন্নবা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু লৌথোকপা য়াবগী বীল, 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন', ফোরেইন কন্ত্রিব্যুসন রিগুলেসন এক্ট অমদি ভিক্সিত ভারত সিক্ষন অভিষ্টান বিল মখা তানা খন্নবা লৈঙাক্লা মতম লৌখিবদসু কোংগ্রেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা পাস তৌখিবা মাইন এন্দ মিনরেল এমেন্দমেন্ট বিল অমদি নেসনেল কোওপরেটিভ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন বিলগী মায়োক্তা মখা তানা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌবসু য়ানা লৈ হায়না গৌরব গোগোইনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# 'থৌজাল হৈবা, ঙাকপী হৈবগী গুণনা লৈবাক অসিবু অশোনবনি হায়না লৌবদি লানগনি'



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী লৈরিবা থৌজাল হৈবা অমসুং ঙাকপী হৈবগী গুণ অসিনা লৈবাক অসিবু অশোনবা লৈবাক অমনি হায়না লৌবদি অরানবা ওইগনি। ফিভম মতম অমত্তদা লৈবাক অসিনা য়েক্নবা লৈবাক্কী মথক্তা লান্দাবা ঙন্থগী পাঙ্গল চপ চানা লৈ হায়না নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবলনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানগী মথক্তা ইন্দিয়ান দিফেন্সনা চথখিবা ওপরেসন সিন্দুরগা মরী লৈননা দিস্কোভরি চেনেলদা শন্দোক্কদবা 'দি ক্লাসিফাইদঃ ওপরেসন সিন্দুর' হায়না মিংথোনবা থৌরমদা অজিৎ দোবলনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা দিজিটেল মেদিয়া অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভিয়ু অদুদা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোগলনা হায়, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহলগামদা এটেক চথরকখিবা টেরোরিষ্টশিংগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা য়েক্লবশিংগী কেম্প কয়া থুগায়দুনা মাঙহন-তাকহনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী লেঙদ্রবা ৱারেপ অমনি।

মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াবু ঙাকপী হৈবা, থৌজাল হৈবা, মীনুংশি চেনবা লৈবাক অমনি হায়না শকখঙনরি। অদুবু লৈবাক অসিগী লৈরিবা ঙাকপী হৈবগী গুণ অসিবু লান্না লমজিংদুনা অশোনবা লৈবাক অমনি হায়না লৌবদি অরানবা ওইগনি। য়েক্নবা লৈবাকশিংগী মথক্তা মতম অমত্তদা ফিভম মতম য়েংদনা এটেক চথদুনা লান্দাবা ঙন্থগী মপাঙ্গল লৈবা লৈবাক অমনি হায়বা অসিসু মালেমগী লৈবাকশিংনা নীংশিংবা চুমগনি হায়না মহাক্লা মখা তনা ফোঙদোকখি।

# লৈবাক অসিগী লৈরিবা কন্সটিট্যুসনেল দেমোক্রেসিবু ঙাক-শেন্দুনা থন্বা হায়বসি পূন্নমক্কী থৌদাংনি ঃ এস সি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী লৈরিবা কন্সটিট্যুসনেল দেমোক্রেসি অসিবু কায়হন্দনা ঙাক শেন্দুনা থন্বা হায়বা অসি লৈবাক মীয়াম পূন্নমক্কী শোয়ফদ্রবা থৌদাং অমনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি উধব থাক্রেনা লুচিংবা শিব সেনাদগী ফেক্সন তাখিবা একনাথ সিন্ধেনা লুচিংবা শিব সেনাবু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অচুম্বা অশেংবা শিব সেনা পোলিটিকেল পার্টি অমনি হায়না শকখঙদুনা শিব সেনাগী লৈরিবা ইলেক্সনগী সিম্বোল অসিবু একনাথ সিন্ধেনা লুচিংবা শিব সেনাদা পীখিবা অদুগী মায়োক্তা উধব থাক্রেনা লুচিংবা শিব সেনানা থারকখিবা পি আই এল অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিংদা চীফ জষ্টিশ সুর্য়কান্টনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখিবনি।

একনাথ সিন্ধেনা লুচিংবা শিব সেনাদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পার্টি অসিগী হান্না লৈজবা সিম্বোল অসিবু পার্টি সিম্বোল ওইনা শকখঙখিবগী থৌওং অসি অনকন্সটিট্যুসনেল ওইবা থৌওং অমনি হায়না উধব থাক্রেনা লুচিংবা শিব সেনাগী মায়কৈদা লেপখিবা সেনিয়র এদভোকেট কাপিল সিবলনা ফোঙদোক্তুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ফিরেপ অসি অমুক হন্না য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়না সুপ্রিম কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিং অদুদা ফোঙদোকখি।

এদভোকেট কাপিল সিবলগী ৱাফম তারবা মতুং জষ্টিশ বক্সিনা কন্সটিট্যুসন হায়বা অসি লৈবাক মীয়াম লৈরবা খক্তদা হিংদুনা লৈগনি। মরম অদুনা কন্সটিট্যুসনেল দেমোক্রেসিবু কায়হন্দনা থন্নবা হোৎনবা হায়বা অসি জুদিসিয়ারি খক্তগী থৌদাং নত্তে, মীয়াম পূন্নমক্কী থৌদাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱান্টেদ দ্রগ কিংপিন ইন্দিয়াদা পুরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা দ্রগ কিংপিন বিরেন্দর বাসোয়া য়ু এ ইদগী লৈবাক অসিদা নার্কোটিক কন্ত্রোল ব্যুরো (এন সি বি)না ফাদুনা পুরকপা ঙমখ্রে।

মালেমগী কৈথেলদা চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ রোমগী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱান্টেদ লাউথোক্তুনা বিরেন্দ্রর বাসোয়াবু হৌখিবা চহী ২০২৩দগী হৌদুনা ফাননবা হোৎনদুনা লাকখিবা মীওইনি।

# অরুনাচল প্রদেশতা চাইনানা চথরক্লিবা থৌওংগী মতাংদা মোদি ১দি অমিত শাহনা পাউখুম পীগদবনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ পরিংদা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ ঙাকপগী থবক থৌদাং লৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মথৌ তাবা পেত্রোলিং চৎপদা চাইনাগী মায়কৈদগী অথিংবা পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লৈবাক মীয়ামদা পাউখুম পীগদবনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খারগেনা ফোঙদোকখ্রে।




মালিক আর্জুন খারগেনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টতা থাদোরকপা ৱারোল অমদা লৈবাক অসিগী খ্বায়দগী মরুওইবা শরুক অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ পরিংদা চাইনাগী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা লম খোপচিন্দুনা তোঙান তোঙানবা এক্তিভিটি কয়া চথরকপা লৈরে হায়না রিপোর্ট লাক্লিবা অসিগী মতাংদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খুদক্তা পাউখুম পীগদবনি।

হৌখিবা ২০২০দা গলৱানদা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি পার্সনেল ২০না লৈবাক অসিগীদমক মথৱায় থাদোকখিবগী থৌদোক ঐখোয় খূদিংমক্লা নীংশিংদুনা লৈবা চুমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী লৈরিবা আর্মদ ফোর্সশিংগী করেজ অমদি কেপাবিলিটি অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্লা থাজবা থল্লি। চাইনানা চথরক্লিবা এগ্রেসন অসি মায়োক্লনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংগীদমক লৈবাক মীয়ান্না অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়নসু মালিক অর্জুন খারগেনা ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সপু পূক্লিং থৌগৎলক্লি।

## Crossword # 1117



Across
1. It may be passed around the office
5. Street fleet
9. Adoption agency
14. Words with rub or pack
15. What Washington wouldn't tell
16. Mount
17. "Candid Camera" creator
18. Source of misery
19. Works, as a bar or garden
20. Gene Tunney
23. Years and years
24. Opposite of oui
25. Sticks in pits
28. Tacks on
30. Beach acquisition
33. Native Alaskan
34. Time periods of note
35. Continental currency
36. John L. Sullivan
39. Some ship positions
40. Mayberry lad
41. "But war's ___" (Cowper)
42. Some ave. crossers
43. Mary Kay rival
44. Plays the role of
45. Longtime record label
46. K-12, in education
47. Rocky Marciano
54. Paris' river
55. Brand with two blades
56. Gardner of mystery
57. "A Garden of Earthly Delights" novelist
58. Pride member
59. Sally
60. Uncontrollable kids
61. Manhattan sch.
62. Ranked tournament player

Down
1. Put in a snit
2. Needle case
3. Artistic Chinese dynasty
4. Not getting along
5. Mountain retreats
6. Shepard and King
7. Cherry variety
8. Appear
9. Houston baseballers
10. Big mug
11. William who has a state named after him
12. Let have
13. Classified items
21. Noted sidekick
22. ___ on (list ender)
25. Rum cakes
26. Drifting above
27. Lab work
28. "Our Father who ___ heaven ..."
29. Challenge
30. Heavy horns
31. Pleasant smell
32. "The Highwayman" poet
34. Hockey great Phil's nickname
35. Kitchen gadgets
37. Kim of "Vertigo"
38. Mexican appetizer
43. Entry
44. The Empire State's capital
45. "Waterloo Bridge" painter
46. Bankrupt energy giant
47. Yogi or Fozzie
48. Meter maid of song
49. Rash soother
50. Ear-related
51. Scottish hillside
52. Writer Wiesel
53. Funnyman Foxx
54. Weep

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# *জে পি নদ্দা এইমসতা পুখত্তুনা লায়েংখ্রে*

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদ্দা খঙহৌদনা মশা নুংঙাইরক্তবদগী ন্যু দিল্লিদা লৈবা এইমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা অনা লায়েং চথখ্রে।*

*এইমস হোস্পিটালগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা য়ুনিয়ন হেলঠ মিনিষ্টর হৌখিবা থা অসিগী ১৩দা খঙহৌদনা মশা নুংঙাইরক্তবদগী এইমস হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা কোরোনেরি এনজিওগ্রাফিগী টেষ্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা টেষ্ট তৌদুনা অনা লায়েংগী থবক চথখ্রে।*

*হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুনিয়ন হেলঠ মিনিষ্টর জে পি নদ্দগী ফিভম থোয়দোক্লা নুংশা থিনিঙাই লৈতে। অদুবু মখা তানা ওবজার্ভেসন তৌদুনা অনা লায়েং চথনবগীদমক দিপার্টমেন্ট ওফ কার্দিওলোজিদা এদমিট তৌদুনা লৈরি হায়না হোস্পিটালগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।*

# রিলাইন্স অমদি রোলস- রোইজ খূৎশন্নদুনা কোম্বেট এয়রক্রাফ্ট ইঞ্জিন শেম শারগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরিবা রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রি অমদি বৃটিশকী এরো-ইঞ্জিন মেনুফেকচরিং কম্পেনি অমা ওইরিবা রোলস-রোইজগা খূৎশন্নদুনা ইন্দিয়াগী এদভান্স মেদিয়ম কোম্বেট এয়রক্রাফ্ট (এ এন সি এ)গী ইন্দিজিনস কোম্বেট-এয়রক্রাফ্ট ইঞ্জিন দিভলপ তৌদুনা মেনুফেকচরিং তৌবগী থবক হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কম্পেনি অনী অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা পার্টনরসিপ ওইনা থবক তৌদুনা এ এম সি এগী ইন্দিজিনস কোম্বেট - এয়রক্রাফ্ট ইঞ্জিন শেম-শানবগী লৌরিবা ৱারেপ অসি লৈঙাক্কা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। দিজাইন, দিভলপমেন্ট, মেনুফেক্চরিং, টেষ্টিং, প্রদক্সনগী কেপাবিলিটি কনখৎহন্দুনা ইন্দিয়াদা এরো স্পেস- টরবাইন কমপ্লেক্স অমা শেম-শানবা থমলিবা পান্দম অসিগা মরী লৈননা কম্পেনি অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।






# ২২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা...

*ঙরাংগী মখা...* ময়াংখাং অমসুং লাইমতোন চীংগী লানফমশিংগী মতুংদদি খোংজোমদা শোক্লখিবা লান অসিনা মণিপুরগী অরোইবা লানফম ওইখি। ১৮৯১গী খোংজোমগী লানফম অসি লোইলম শক্তে দাকপা বৃটিশশিংগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। অদুগা মায়থিরবা মণিপুরগীনা তুংগী মীরোলশিংগী নীংতম্বগী খোঙ্গুল লিরক্তুনা অমুক হন্না মণিপুরগী নীংতম্বা হঙ্গিল্লক্লবগী অয়ৌবা থাক্তা কখোক্তুনা শোক্লখিবা মুৎনাইদ্রবা নীংতম লানফমনি।

খোংজোমগী অরোইবা লানফমদা মায়থিরবা তুংদা য়ুবরাজ তিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেল অনীবু তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শীদুনা ওগষ্ট ১৩, ১৮৯১দা ফৈদাবুংদা মীয়াম মাঙদা থৌরি য়ান্দুনা হাৎখি। ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩ অসিসু য়ুবরাজ অমদি থঙ্গাল জেনরেল খক্তগী ওইহন্দনা মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাকপদা থৱাই কৎখ্রবা অথৌবা পূন্নমকপুসু কোনশিন্দুনা 'অথৌবশিংগী নুমিৎ' হায়না মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা কুমওন খুদিং হৈকৎ লৈকাই তমদুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

(মথং মথং)

# ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসন...

*ঙরাংগী মখা...* চেরোল অসিনা হায়, য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা ১৯৮৯গী দিসেম্বর ৪দা চথরগনি হায়না শেমখিবা ইন্টরনেসনেল কনভেন্সন এগেনষ্ট দি রিক্রুটমেন্ট, য়ুজ, ফাইনান্সিং এন্দ ট্রেনিং মার্সেনরিজ' গী আর্টিকেল ৫ (২) গী মতুং ইন্না মরম চাবা (লিজিটিমেট) রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসন। নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট লৈবা, লোইশিনবিরবা লৈবাক অমদা মহাক্কী রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসন ফংনবা চঙশিল্লিবা ইহৌ অদুগী মায়োক্তা শেল থাদদুনা, ট্রেনিং পীদুনা মার্সেনরিশিং শেমগৎপা য়াদে। ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা হৌজিক ফাওবা মণিপুর (কংলৈপাক)তা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা চথরিবা ইন্দিয়াগী খূৎশেমগী ওইবা প্রোক্সি ৱার অসিনা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটেরিয়ান লোগী পথাপ কয়া থুগাইরি। মালেমগী ওইনা আর্মদ-কনফ্লিক্ট লৈবা মফমদা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা চৎনদবা য়াদ্রবা ১২ ওগষ্ট, ১৯৪৯গী ফোর জিনেভা কনভেন্সন্সগী কম্মন আর্টিকেল ৩ অসি ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক) তা হালেংবা লৈতনা থুগাইদুনা মীওইবগী হক খোঙ্গাইনদুনা ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিটি অমসুং ৱার ক্রাইম চথরি।

কোরকোমগী পল্লিসিটি কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রিবনা য়ুএন চার্টরগী আর্টিকেল ২(৪) না হায়রি, চার্টর ওব্লিগেসনদ লৈরবা লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী টেরিটোরিয়েল ইন্তিগ্রিটি নৎত্রগা মনিং তম্বদা য়ুনাইটেদ সেন্সন্সকী চৎনবীগী ৱাংমদা মতিক মঙম শিজিন্নবা নৎত্রগা কিহনবা য়াদে। মসি ইন্দিয়ানা ১৯৪৯ দা মণিপুর কংলৈপাক লৌশিনবা মতমদা মণিপুর কংলৈপাক অসি মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইখিবা মরম্না মণিপুর কংলৈপাক্তা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসি ইন্তরনেসনেল আর্মদ কনফ্লিক্টনি। মসিবু ইন্দিয়ানা মালেমগী মীয়ামদা ইন্দিয়া মণিপুর (দোমেস্তিক) কী ইন্সরজেন্সিনি হায়না তত্তনা উৎপা লেপ্প্রি। ঙসিনা ইন্দিয়ানা হুনখিবা কংলুপ মশেল নুংশিনদবগী মরু অদুনা মপান মরেপ ফাদুনা অচৌবা পাম্বী ওইরক্তু না নাগা কুকি মীতৈ হায়না খায়দোক্তু না পনখৈ লৈনা খৎনহল্লি অমদি কংলৈপাক্কী শেংলবা নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট (এন এল এম) অমসিবু মালেমগী মীয়ামদা কাংলুপ মশেলগী উংখৎনবা, হাৎনবা ওইনা উহল্লি। মসি কৈদৌনুংদা মায় পাকপদি ঙল্লোই। ঐখোয়গী ফুরুপ মীয়াম্না ইন্দিয়াগী লোয়লম থৌশিল অসিবু মমুৎ তানা খঙমিন্নবা চঙই অমদি মণিপুর কংলৈপাক্কী নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট অসিবু মায় পাক্লবা হোৎনবদা অমত্তা ওইবা লন্থী অমদা পুন্না চৎমিন্নগদবনি। ইন্দিয়াগী লোয়লমদগী নাম্থোক্তু না নীংতম্বা মণিপুর কংলৈপাক অমা শেম্বা নত্তনা ঐখোয়গী অনিশুবা লম্থী লৈতে। হৌজিক্কী মীরোলনা মসি তৌহৌদ্রগদি তুংদা তুংগী চহী কয়াদা কংলৈপাক্কী য়েলহৌ ফুরুপশিং তপ্পা তপ্পা মুৎখিগনি অমদি কংলৈপাক্কী সিভিলাইজেসন অসি মালেমগী পুৱারীদগী মাংখিগনি।

ইন্দিয়ানা ১৯৪৯ দা মণিপুর কংলৈপাকপু লৌশিনখ্রবা মতুংদা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ থমজিন্দুনা মণিপুরদা লেপ্পা লৈতনা মিলিটরি ওপরেসন চথদুনা লাওথোক্তবা লান অমা চথরি। ফোর জেনেভা কনভেন্সনগী কম্মন আর্তিকেল ২ গী মতুং ইন্নদি ইন্দিয়ানা মণিপুর কংলৈপাক্তা লান অমা লৈরে হায়না মালেম মীয়াম খঙনা লাওথোক্ত্র বসু (ফোর্মেল দিক্লারেসন ওফ ৱার) মণিপুর কংলৈপাক্তা ইন্তরনেসনেল আর্মদ কনফ্লিক্ট লৈরে হায়বসিনি। জেনেভা কনভেন্সন ৪ অসিগী এদিস্নেল প্রোটোকেল ১ গী আর্টিকেল ১(৪) না হায়রিবদি করিগুম্বা নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট চথরিবা ফুরুপ ময়াম অমনা মখোয়গী রাইট টু সেল্ফ দিটরমিনেসন ফংনবা লোয়লম লৈঙাক খুদুম চনশিনবিখ্রবা লমগী নৎত্রগা ফুরুপ কুচু খায়বা লৈঙাক্কী মায়োক্তা চথরিবা আর্মদ কনফ্লিক্ট অদুবু ইন্তরনেসনেল আর্মদ কনফ্লিক্টনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম অমদি ইন্তরনেসনেল কোদ ওফ জষ্টিনা ৱায়েল চথরিবা মিলিটরি এন্দ পেরামিলিটরি এক্টিভিটিস ইন এন্দ এগেনষ্ট নিকারাগ্বা (নিকারাগ্বা ভর্সেস য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ওফ অমেরিকা) (মেরিট্স) (১৯৮৬) আইসিজে আরঈপি ১৪ অসিনি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি অমদি মালেমগী মিলিটরি পৱারদা মপাঙ্গল কনবা ৪ শুবা লৈবাক্কি হায়জরিবা ইন্দিয়ানা ঙসিদি মণিপুরদা প্রোক্সি ৱার চথদুনা য়েলহৌমী মুখৎতুনা মণিপুরগী নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট অসিবু শিংকুপশানা থুগায়দুনা মণিপুরবু মালেমগী পুৱারীদগী মুখৎনবা হোৎনরি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না পুন্না খঙমিন্নসি অমসুং ইন্দিয়াগী লোয়লম শরৌ লাং অসিদগী পুন্না ঙাকথোকমিন্নসি। মুন্না য়েংলুরগদি ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক নত্তে। মরমদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১(৩)(সি) না ইন্দিয়ানা অতোপ্পা টেরিটোরিশিং লৌশিনবা য়াবগী অয়াবা অদু পীরি। মসি পোষ্ট কোলোনিয়েল ইন্দিয়ান ইম্পরিয়েলিজমগী থবক্নি।

ইন্দিয়াগী ১৫ আগষ্ট, ইন্দিপেন্দেন্স দে অসি করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মণিপুরগা মরী লৈনদ্রবসু মণিপুরদা লৈরিবা হংলাই লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিং অসিনা মখোয়গী ময়াং মপুশিংবু থাগৎপা লেপ্প্রি। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোয়লম মরা চেৎশিনগদৌরিবা মীখল অসি নকশিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুর মচাশিংবু তুম্না মাংনবা শিল্লিবা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংবু লৈশি লৈথোন দুনা, শক শোন্দুনা অমসুং থাগৎপগী থবক হেনগৎলক্লি। মসিদা চীফ মিনিষ্টর নৎত্রগা লুচিংবা অমা শিল্লবসু মখোয়গী মকোক্তা ইন্দিয়াগী লোইলমগী পাঙ্গল শীজিন্নবা হেনগৎলক্লি। মণিপুর (কংলৈপাক) কী পুৱারীবু লোইলম ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়না উৎনবা হোৎনবা হেঞ্জিল্লক্লি। অসিগুম্বা লোইলমগী শক্লোন অসি নৈনবগী মহুত্তা হংলাই লুচিংবা খনবগী লোইলমগী মীখল হেক লাকপগা ঐখোয় মীয়াম্না ওইজ ওইথক খরগী নৎত্রগা পিজ পীথক খরদা মমিৎ তাংদুনা লৈবা অসি তৌরোইদবনি। মসিগা ইরোইননা ঐখোয়বু মতম শাংনা মীনাই নাইথাং ওইহনগদৌরিবা ওগষ্ট ৯ দগী ১৭ ফাওবা চথরিবা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়াম্না লাপ্পা লৈদুনা শরুক য়ারোইদবনি হায়রি। ১৫ ওগষ্ট ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে চহী খুদিংগী কোরকোম্না বোইকোট তৌদুনা লাকই। হন্দকসু কোরকোমগী বোইকোট অদুমক লৈগনি। বোইকোট অসিগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিগী মফম শিনবা থুংনা ওগষ্ট ১৫গী অয়ুক পুং ১.০০দগীনা নুমিদাং ৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবা টোটেল সটদাউন তৌগনি। অদুমওইনমক ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিং, মেদিকেল, ইলেক্ট্রিসিটি, ৱাটর সপ্লাই, ফায়র সার্ভিস, প্রেস অমদি লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থবকশিংগীদি সটদাউন অসিদগী কোমথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি। *(লোইরবা)*

## ইরানগী প্রসিদেন্ট ইন্দয়াদা লাক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

ৱেষ্ট এসিয়াদা য়ু এসকা কনফ্লিক্ট থোক্তুনা চরাংনরিঙৈ চৈরক অসিদা ইরানগী প্রসিদেন্ট মসৌদ পেজেস্কিয়ান ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক সম্মিততা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াদা লাক্লগনি হায়রি।

লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বর থাদা ন্যু দিল্লিদা ব্রিক সম্মিত পাঙথোক্লবা শেম শারিবা অসিদা ইরানগী প্রসিদেন্ট পেজেস্কিয়ান শরুক য়ারগনি হায়না ইরানদা য়ূম্ফম ওহবা পাউগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবনি।

## ইন্দিয়ান আর্মিদা থবক তৌবনা হেন্না ফৈ

কাথমন্দু, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

গোরখা লান্মী ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমদি ইমুং মনুংগী মীওই কয়া য়াওনা নেপালদা লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া লৈবাক অসিগী পোকখরা সিটিগী লম্বী লমজাওদা থোরক্তুনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু ইন্দিয়ান আর্মিগী অগ্নিপথ স্কিম অসিগী মখাদা অগ্নিবীর ওইনা থবক তৌবগী অয়াবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীগদবনি হায়বা তোঙান তোঙানবা খোল্লাও লাওদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, মতম কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়া অমদি নেপালগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসিবু শক্তাকপা ওইনা নেপালি কয়া ইন্দিয়াগী গোরখা লান্মী ওইনা থবক তৌদুনা লাকখিবগী ৱারী কয়াসু লৈরি। অদুবু কোভিদ ১৯ পেন্দামিকনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী ২০১৯দগী হৌদুনা গোরখা রেজিমেন্টতা নেপালিশিংবু জোইন্ট তৌবদা অথিংবা পীদুনা লাক্লি।

## য়ু এসনা ২০২৫দা য়েমেনদা এয়রষ্ট্রাইক চখ্দুনা সিভিলিয়ান মীওই ১৫৩ হাৎখি ঃ পেন্টাগোন

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

হৌখিবা চহী ২০২৫তা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চখ্দুনা য়েমেনদা লৈবা সিভিলিয়ান মীওই ১৫৩ হাৎখি। অদুগা মীওই চাউরাক্না ২৪৩ হেনবনা অশোক অপন নংখি হায়না পেন্টাগোনগী রিভিয়ু রিপোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা হৌখিবা চহী ২০২৫কী এপ্রিল থাদা য়েমেনদা তাঙ্কক অহুম থোক্না চখ্খিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুদা মীওই সিভিলিয়ান কয়া লৈখিদবগে অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংখি হায়বগী মতাংদা য়ু এসকী ওফিসিয়েলশিংনা রিভিয়ু এসেসমেন্ট তৌদুনা য়ু এস লৈঙাক্তা পীশিনখিবা ওফিসিয়েল রেকোর্দ অমদা ৱাফম অসি খঙনরকখিবনি।



চহী খূদিংগী সিভিলিয়ান কেজুয়েল্টি কয়া ফুখিবা লৈখ্রবগে হায়বগী মতাংদা পেন্টাগোনগী ওইনা ফোঙবা এনুয়েল রিপোর্ট অদু য়ু এস কোংগ্রেসতা পীশিনখ্রে হায়না মালেমগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতাংদা পেন্টাগোনগী ওফিসিয়েলশিংগী মায়কৈদগী মখা তানা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াদনা লৈরি। রিপোর্ট অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম খঙনা নৈনবগী অয়াবা য়ু এস লৈঙাক্লা অয়াবা পীদে হায়নসু পেন্টাগোনগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী ২০২৪দগী হৌদুনা য়ু এসনা য়েমেনদা তাঙ্কক কয়ারক্তা এয়রষ্ট্রাইক চখ্দুনা মীওই কয়া হাৎখিবগী থৌদোক কয়া লেপ্তনা থোক্তুনা লাক্লি।

নাকল অমরোমদা, য়ু এস লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ২০২৪দগী হৌদুনা য়ু এস মিলিটরিনা য়েমেনদা লৈবা হাওথি ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা তাঙ্কক অহুম থোক্লা এয়রষ্ট্রাইক চখ্খ্রে। এয়রষ্ট্রাইক অদুদা হাওথি রেভেলিয়ান কয়া হাৎখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোঙ্গোদা ইবোলা আউটব্রেক থিংবা ঙমদনা লৈরি, মীওই ২,১২৮ লৈখিদ্রে

কিন্সাসা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা মে ১৫দা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা ইবোলা ভাইরস আউটব্রেক থোক্লে হায়না ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকখ্রবা মতুং থা ৩ ফাজিল্লক্লবা ফাওবা ইবোলা ভাইরস আউটব্রেক মায় পাক্লা থেংনবা ঙমদনা লৈরি।

লৈবাক অসিগী অকক্লবা প্রোভিন্সতা মপুং ওইনা ইবোলা ভাইরস আউটব্রেক থোক্তুনা লৈরম্বা অদু নৌনা তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্স ৬তা আউটব্রেক অসি মখা তানা শন্দোরকপা থেংনখ্রে।

ইবোলা ভাইরস আউটব্রেক্কী চৈথেং ফংদনা লাকখিবা বাস-উন্নেদা মীওই অমা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা



মতুং অফ্রিকাগী সেন্টর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলনা লৈবাক অসিদা ইবোলা ভাইরস মখা তানা শন্দোরক্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা ইবোলা ভাইরসকী কেস পুন্না ৪,৫৬৬ থেংনখিবগী মনুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা পুন্না মীওই ২,১২৮সু লৈখিদবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রবনি।

## 'সাউথ কোরিয়া অমদি য়ু এসনা মিলিটরি দ্রিল পাঙথোক্কদৌরিবা অসি লান কাইহৌবনি'

সিওল, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সাউথ কোরিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পুন্না খূৎশন্নদুনা মিলিটরি দ্রিল পাঙথোক্লবা শেম শারিবা অসি লান কাইহৌবনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চেকশিন ৱা থল্লকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না য়ু এস অমদি সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা লান ঔরাইনবা শেম শারিবা অসি রিজন অসিগী ইং তপ্পা অসিবু থুগায়দুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্লনবা শীল্লকপা থৌরাং অমনি। রিজন অসিদা পীরকপা য়েক্লবশিংগী থৌওংশিংবু মায় পাক্লা থেংনদুনা রিজন অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি লৈবাক অসিগী খ্বায়দগী মরুওইবা থৌদাং অমনি। য়েক্লবা লৈবাকশিংনা মখা তানা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্লনবা শীল্লক্লবদি নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী শীংনরক্লিবশিং অদুবু মায় পাক্লা মায়োক্লন্দুনা লৈবাক অসিবু ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, য়ু এস অমদি সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা দিপ্লোমেসিগী মরী নৌনা থন্নবা হোৎনরিবা অসিবু নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উননা কয়ারক হন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ু এসকা লান্থা পাবা ঙম্বা মালেমগী অমত্তা ঙায়রবা লৈবাক্লি হায়রিবা রশিয়াদা নোর্থ কোরিয়াগী ক্রুপ কয়া থাজিন্দুনা য়ুক্রেনগা শোক্লরিবা লান অসিদা রশিয়াদা মতেং পাংখিবগী থৌদোক কয়াসু থোকখিবা লৈখ্রে হায়না এসিয়াগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সি অমনা মখা তানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

## জপানঃ থাজবগী ৱাংমদা চুবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা থোকপা ঈশিং ঈচাওদা মীওই মঙা লৈখিদ্রে

তোকিও, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

জপানদা অমুক্তা চুখিদ্রিবা মওংদা ঙরাং নুমিদাং লেপ্তনা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা তোকিওগী লম্বী-থোং কয়া ঈশিংনা থুমজিনবদা নত্তনা য়ূম-কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী মশীং য়াল্লবা মীওই কয়া শাফগদবা মফমদা লাঞ্জেন্নখ্রে। ঈশিং ঈচাও অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ লৈখিদ্রে, মীওই ১না থিবা খঙদনা লৈরি।

জপানগী মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিগী মায়কৈদগী সিবাদা লৈবা



তোঙান তোঙানবা ম্যুনিসিপালিটি কয়াদা অকনবা নোং চুরগনি হায়না পীখিবা প্রিদিক্সন অদুদগী কা হেনবা মওংদা নোং চুদুনা ঈশিং ঈচাও নংখিবনি। গ্রাউন্দ সেল্ফ দিফেন্স ফোর্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা সোগা ট্রেন ষ্টেসনদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবা মীওই ৪,০০০ তোঙান তোঙানবা ভেহিকল কয়া শীজিন্নদুনা হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা ইভাকুয়েট তৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঈশিং ঈচাও অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ লৈখিদ্রে, মীওই অমনা থিবা খঙদনা লৈরি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা মীওই অমদি কার থৌরিঙৈ ঈশিংগী অকনবা ঈচেলনা চেন্থদুনা পুখিবদগী লৈখিদবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## বাংলাদেশঃ থবক শুফমদা হূ চেনবা গ্যাস লীক ওইবদগী শীন্মী ৮ লৈখিদ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):

বাংলাদেশতা দিকম্মিসন তৌরবা জহাজশিং থুগায়বগী থবক চখবা মফম অমদা হূ চেনবা গ্যাস লীক ওইবদগী শীন্মী ৮ লৈখিদ্রে।

বাংলাদেশ পুলিসকী মতুং ইন্না হূ চেনবা গ্যাস লীক ওইবগী থৌদোক অদু লৈবাক অসিগী খা থংবদা লৈবা সিটাকুণ্ড এরিয়াগী মনুংদা লৈবা ফরদোজ ষ্টিল সিপ ব্রেকিং য়ার্দতা থোকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা হূ চেনবা গ্যস লীক ওইবদগী পুন্না মীওই ৮ লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।


থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী সেনিয়র ফেক্টরি ইন্সপেক্সন ওফিসর মাবুবুল হাসনগা লুচিংবা টিম অমনা থৌদোক থোকফমদা চক্লুনা থৌদোক অদু করি মরমদগী থোকখিবনো হায়বা য়েংশিনবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈখিদ্রবা শীন্মীশিং অদু মথৌ তাবা সেফতি মিজরশিং লৌখৎহৌদবদগী লৈখিদব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লি। অদুবু থৌদোক অসি করিনা মরম ওইরগা থোকখিবনো হায়বা অদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা খঙদনা লৈরি হায়নসু মাবুবুলনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### সনা-সুদোকু-১০৫০গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 3 | 4 | 8 | 2 | 1 | 5 | 9 | 7 |
| 2 | 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 8 | 4 | 3 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 | 6 | 2 |
| 4 | 9 | 8 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 1 | 7 | 2 | 3 | 4 | 6 | 9 | 8 | 5 |
| 5 | 6 | 3 | 9 | 8 | 7 | 4 | 2 | 1 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 3 | 8 | 7 | 5 | 4 |
| 7 | 8 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 3 | 9 |
| 3 | 4 | 5 | 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 8 |

### ক্রোসৱার্দ ১১১৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | E | M | O | | C | A | B | S | | A | S | P | C | A |
| I | T | I | N | | A | L | I | E | | S | T | E | E | D |
| F | U | N | T | | B | A | N | E | | T | E | N | D | S |
| F | I | G | H | T | I | N | G | M | A | R | I | N | E | |
| | | | E | O | N | S | | | N | O | N | | | |
| B | A | T | O | N | S | | A | D | D | S | | T | A | N |
| A | L | E | U | T | | E | R | A | S | | E | U | R | O |
| B | O | S | T | O | N | S | T | R | O | N | G | B | O | Y |
| A | F | T | S | | O | P | I | E | | A | G | A | M | E |
| S | T | S | | A | V | O | N | | A | C | T | S | A | S |
| | | | M | C | A | | | E | L | H | I | | | |
| | B | R | O | C | K | T | O | N | B | O | M | B | E | R |
| S | E | I | N | E | | A | T | R | A | | E | R | L | E |
| O | A | T | E | S | | L | I | O | N | | R | A | I | D |
| B | R | A | T | S | | C | C | N | Y | | S | E | E | D |






### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**NOTIFICATION**

**Imphal, the 14th August, 2026.**

**No.1/Childline/ICPS(SW)2017-18(Pt-1):** In continuation to this Department's notification of even no. dated 6th August, 2026 for engagement of 148 (one hundred and forty-eight) posts of contractual staff for setting up Child Helpline 1098, a child helpline services in Manipur under Mission Vatsalya in Social Welfare Department, Government of Manipur, it is hereby notified for information to all concerned candidates that the Admit Card of the written examination can be downloaded from the Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in from **29th August, 2026 to 4th September, 2026**. Further, it is informed that the examination centre allotted to each candidate may be seen in the respective Admit Card for written examination scheduled to be held on 6th September, 2026.

For any change/notification, the same will be notified in the above mentioned Department's website. All concerned shall regularly check the above mentioned website for any update. Social Welfare Department will not take responsibilities for any missed update/notification.

**Sd/-**
**(Sheikh Abdul Hakim)**
**Director (Social Welfare),**
**Manipur.**

SL/B(Nawaz)/15 &17

### UNIQUE SOCIAL DEVELOPMENT ORGANISATION

**Mayang Imphal, Chabung Company, Imphal West, Manipur – 795132**

**Regd. No: 21/IMP-M/1994**

ꯅꯣꯇꯤꯁ/ **NOTICE**

*Mayang Imphal, 14th August, 2026*

It is hereby notified to all the members of UNIQUE SOCIAL DEVELOPMENT ORGANISATION that a special general body meeting will be held on 31st August, 2026 at 2:00 pm to revive the lapsed association under the guidance of Registrar of Societies at the office of the Association at Mayang Imphal Chabung Company, Imphal West, Manipur. Tentative voter/member list is published. Objection or complaints if any should be made to the office of the association on or before 3 pm of 20/08/2026.

| Sl No. | Name |
|---|---|
| 1. | Lourembam Bimol Singh |
| 2. | Thongam Sangita Devi |
| 3. | Yumnam Bimola Devi |
| 4. | Lourembam Brojen Singh |
| 5. | Yurembam Suniti Devi |
| 6. | Homendra Asem |
| 7. | Thokchom Sumila Devi |
| 8. | Naorem Debal Singh |
| 9. | Yurembam Promananda Singh |
| 10. | Asem Ningthemjao Singh |
| 11. | Thongam Ingo Singh |
| 12. | Yumnam Ibemcha Devi |
| 13. | Yurembam Choron Singh |
| 14. | Ningthoujam Subadani Devi |
| 15. | Yumnam Tilotama devi |
| 16. | Ningthoukhongjam Jugeshwar Singh |
| 17. | Nepram Binoy Meetei |
| 18. | Shaikhom Brojen Singh |
| 19. | Yumnam Kaoba Singh (Expired) |
| 20. | Maisnam Sarat Singh |

| Sl No. | Name |
|---|---|
| 21. | Laimayum Shaym Sharma |
| 22. | Longjam Sunil Singh |
| 23. | Loitongbam Heramot Singh |
| 24. | L. Yaimabi Chanu |
| 25. | Irom Jatra Meitei |
| 26. | Chanambam Tomba Singh |
| 27. | Yumnam Ajit Singh |
| 28. | Chanambam Brojen Singh |
| 29. | Kongkham Tomba Singh |
| 30. | Leishangthem Renubala Devi |
| 31. | Chanambam Shantakumar Singh(Expired) |
| 32. | Leimapokpam Hemlet Singh |
| 33. | Ningthoujam Deven Singh |
| 34. | Thongam Ksheerdichand |
| 35. | Thongam(o) Bem |
| 36. | Yumnam Brojen Singh |

SL/B(Bal)/15

**Sd/-**
**Sd/ (Yumnam Ajit Singh)**
**Ex-Secretary**

Office of rhe controller General of Patents, Designs & Trade Marks,
Department for Promotion of Industry and Internal Trade'
Ministry of Commerce & Industry, Government of India

### Public Notice

**Trade Marks / Patent Agent Examination 2027**

Under the provisions of Rule 144 of the Trade Marks Rules, 2017; Section 126 of the Patents Act' 1970 (as amended) and rule 110 of the patents Rules,2003 (as amended) registration for above said qualifying examination to practice before the O/o CGPDTM are open till 30th September,2026(11:59 PM)'

For morc dctails, pleasc visit website: www.ipindia.gov.in

CBC 05202/11/0001/2627

### Government of Manipur
### Office of The Sub-Deputy Collector Bashikhong, Imphal East

*R R. No. 193/SDC/B/IE of 2026,*

Legal Wife Certificate

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

*Bashikhong, The 14th August, 2026*

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি Laishram Jenita Chanu লৈফম Kongba Ksheteri Leikai, Imphal East অসিনা লৈখিদ্রবা Oken Amakcham বু মহাক্কী Legal নুপানি হায়দুনা মহাক্কী মিংদা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনৈ খনবিবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা ওফিস অসিদা ওবজেক্সন তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা ওবজেক্সন লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চখরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector**
Imphal East, Bashikhong

SL/B(Mei)/15

### In the Court of The Sub-Deputy Collector,Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 207/SDC/IW/ Salam Date 14/8/2026*

Chaingakham Apabi Devi W/o (L) Chingakham Tomba of Tairenpokpi Mayai Leikai

*- Petitioner*

*-Verses-*

Late Chingakham Tomba Singh S/o (L) Kshtri Singh of Tairenpokpi

*- Opposite Party*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Salam, the 14/08/ 2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিসনর অসিনা সলাম তাহশিলগী খুল নং 70-Tairenpokpi গী অনৌবা পাট্টা নং 37 (N), দাগ নং 39 এরিয়া 1.25 acre on the eastern portion out of 3.22 acre চাওবা Anganphou Loupham অসি পাট্টাদার Chingakham Tomba Singh S/o (L) Kshtri Singh of Tairenpokpi অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা পিটিসিনরগী মিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা অঙনফৌ Loupham অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/B(...)/15

### In the Court of The Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 363 of SDC(IE)/P of 2026*

1. Laipubam Sundari Devi D/o (L) Ibotombi Sharma W/o Ph. Bijoykumar Sharma of Uripok Ahanthem Leikai.
2. Do- Radhapriyari Devi D/o -do- W/o L. Pradeepkumar Sharma of Brahmapur Aribam Leikai.
3. Do- Chitralekha Devi D/o (L) -do-of-do-

- Petitioners

-Versus-

Co-Pattadar No.3 L. Lakhipiyari Devi D/o (L) Ibotombi Sharma of Brahmapur Bheigyabati Leikai

- O. P.s

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Porompat,The 14/08/ 2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No 49-Bheigyabati Leikaiগী Patta No 129 (অরিবা) 183 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 25, measuring an area 0.075 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,** Porompat
Imphal East, Manipur

SL/B(nanda)/15

### In the Court of The Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 364 of SDC(IE)/P of 2026*

1. Langoljam Shantikesor Meitei S/o (L) Longoljam Anganghal Singh of Kongba Chanam Leikai.
2. Langoljam ongbi Thingbaijam Premjita Devi W/o (L) Langoljam Ram Singh of Kongba Chanam Leikai
3. Langoljam Monoranjan Singh S/o (L) Langoljam Anganghal of Kongba Chanam Leikai.

- Petitioners

-Versus-

Late Langoljam Anganghal Singh S/o Langoljam Panchami Singh of Top Naoria.

- O. P.s

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Porompat,The 14/08/ 2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No 29-Top Naoria গী Patta No 290 (অরিবা) 160/822 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 238/683, measuring an area 0.27 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,** Porompat
Imphal East, Manipur

SL/B(nanda)/15

*ষ্টেট সব-জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ:*

# য়ুঠ ক্লব উরিপোক্লা নুপীমচাগী অমসুং সি ৱাই এল সি চিঙামথক্লা নুপামচাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরকখিবা ৩৯শুবা ষ্টেট সব-জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী নুপামচাগী চেম্পিয়ন য়ুঠ ক্লব উরিপোকনা ওইখিবগা লোয়ননা সি ৱাই এল সি চিঙামথক্লা নুপীমচাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী ফাইনেলদা সি ৱাই এল সিনা ৱাই ও এস সি খুরাইবু পোইন্ট ৬৯-৩৫দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মেটচ অসিদা সি ৱাই এল সিগী মায় পাকপগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৩, অনীশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২১, অহুমশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ১৪ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ১১ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ হেন্থোই, জর্সি নম্বর ৬ মোনালি, জর্সি নম্বর ১০ লমজিংবি, জর্সি নম্বর ৫ লিংজেলথোইবী অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ লৌশিংথোইনা স্কোর তৌখি।

মায়থিহৌরবা ৱাই ও এস সিগী পোইন্টশিং অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ৯, অনীশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ৬, অহুমশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ১৪ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ৬ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৬ চিমচিম, জর্সি নম্বর ১২ লনচেনবী, জর্সি নম্বর ১৯ থাসনা, জর্সি নম্বর ৫ বুনে, জর্সি নম্বর ১১ পর্সিনা স্কোর তৌখি।

নাকল অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেলদা য়ুঠ ক্লবনা ৱাই ও এস সিবু পোইন্ট ১১০-৯১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা য়ুঠ ক্লবকী পোইন্টশিং অহানবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৭, অনীশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ৩২, অহুমশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৭ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৪ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১, ফিনিক্স, জর্সি নম্বর ২৮ শ্রীয়ান্স, জর্সি নম্বর ৪ বিলগেট, জর্সি নম্বর ২১ ধনারাজনা স্কোর তৌখি।

মায়থিহৌরবা ৱাই ও এস সিগী পোইন্ট ৯১ অদু অহানবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২১, অনীশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২২, অহুমশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৫ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৩ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ চিত্রভাস, জর্সি নম্বর ১৩ চিতন, জর্সি নম্বর ১৭ হিটলর, জর্সি নম্বর ১৯ দাইলন্দ, জর্সি নম্বর ১০ ফিরেপ্পানা স্কোর তৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যাব্রত্তনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ময়াং ইম্ফাল এ সিগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রো অমসুং ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ নরুল হাসননা চীংবা মীওই কয়ানা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অঙ্গিতা অমসুং লনচেনবী অমদি নুপাগী ফাইনেলদা মার্টিন অমসুং মালেমঙানবনা থেংনরগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী দি এম য়ু কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর হোলদা চথরিবা ৭০শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অঙ্গিতা নাওরেম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী অঙোম লনচেনবী অমদি নুপাগী ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী মার্টিন অমসুং মালেমঙানবনা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা অঙ্গিতা নাওরেমনা ইম্ফাল ইষ্টকী বিক্কিয়া নাওরেমবু ১৫-৯, ১৫-৭ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী অঙোম লনচেনবীনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লাইশ্রম নন্দিতাবা গেম অহুম শান্নরবা মতুং ১৫-১১, ৯-১১, ১৫-১৩দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী মার্টিন ইঙুদমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোকচোম হর্সপু অৱাবা কয়া মায়োক্লন্দনা ১৫-৫, ১৫-৭ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী হেমাম মালেমঙানবনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিরোম বোসবু ১৫-৪, ১৫-৮দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপামচা চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ককচিংগী সুশান্ত মোইরাংথেম অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোকচোম হর্সনা থেংনরগনি। অহানবা সেমি ফাইনেলদা ককচিংগী সুশান্ত মোইরাংথেমনা বিষ্ণুপুরগী মার্টিন ইঙুদমবু ১৫-১১, ১৫-১০ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোকচোম হর্সনা সেনাপতিগী কালো ক্রমেনবু ১৫-১১, ১৫-১১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপীমচা চহী ১৯ মখাগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিওনি তায়েঞ্জম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী অঙোম লনচেনবীনা থেংনরগনি। অহানবা সেমি ফাইনেলদা লিওনি তায়েঞ্জমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইশ্রম এঞ্জেলিয়াবু ১৫-১২, ১৫-১০ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা অঙোম লনচেনবীনা ইম্ফাল ইষ্টকী অতোপ্পা লাইশ্রম নন্দিতাবু ১৫-১২, ১৫-৯দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

নুপীমচা চহী ১৭ মখাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইশ্রম এঞ্জেলিয়া অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চনুলেম্বী সাপমনা থেংনরগনি। অহানবা সেমি ফাইনেলদা লাইশ্রম এঞ্জেলিয়ানা বিষ্ণুপুরগী খৃষ্টিনা সিনামবু ১৫-১, ১৫-৫ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা চনুলেম্বী সাপমনা জিরিবামগী কে সোনাক্সিবু ১৫-১১, ১৫-১১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপামচা চহী ১১ মখাগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা থৌবালগী রিয়োসঙানবা সৌবামনা থৌবালগী হেরিক্লেস খাঙথেমবু ১৩-১৫, ১৫-৮, ১৫-১২ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ককচিংগী দেলরিক পুখ্রম্বমনা ইম্ফাল ইষ্টকী সলাম জয়রাজবু ১৫-৪, ১৫-৯দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

নুপীমচা চহী ১১গী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ককচিংগী রাশিথোই নিংথৌজমনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়েনিং সলামবু ১৫-৫, ১৫-২ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী চিঙ্খৈঙানবী সেরামনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পোলেম তিলৈঙানবীবু ১৫-৭, ১৫-৪দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

নুপামচা চহী ১৩ মখাগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাম্নৈরাকপম দেবাসিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সানন লোইতোংবম, নুপীমচাগী চহী ১৩ মখাগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী শরুংবম অর্চনা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী জিয়া সনাবমনা থেংনরগনি। ৱুমেন'স দবলসকী ফাইনেলদা হুইদ্রোম ভেলিন্দা অমসুং লৈমাপোকপম দাইনানা লিওনি তাঞ্জেবম অমসুং ময়াংলম্বম সোমিবালাগা থেংনরগনি।

# ইন্টর স্কুল চেছ টুর্নামেন্ট হৌখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ কংলৈ চেছ একাদমিনা শীন্দুনা ঙসিদগী নাওরেমথোংদা লৈবা প্রিজম হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা অনীশুবা কংলৈ চেছ একাদমি ইন্টর স্কুল চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌখ্রে।

ঙসিদগী হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ লোয়বা ফাওবদা শান্নরোই ১৪না পোইন্ট ৩ / ৩ স্কোর তৌদুনা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙম্লি। পোইন্ট ৩ / ৩ ফংদুনা মাঙজিল থারিবা শান্নরোইশিং অদুদি মঙাল এলাংবম, ব্রাইন খুমুকচম, লেন্থা শৌগাইজম, পূঙ্সিবা মাইস্নাম, শিন্থোইবা নীংথেমচা, রাজকুমারী সঙ্গামিত্রা দেবী, ৱিলিয়ন্থা মোইরাংথেম, লৈমাপোকপম পারি, নোংথোম্বম জোজো চনু, ষ্টেনলি মীথোইবা লৌরেম্বম, দিনেস চবুংবম, প্রিচার্দ এলাংবম, থৌনাওজম দুপাচন্দ্র অমসুং জোনেক্স নান্দৈবমনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসনগী প্রেসিদেন্ট ওইরম্বা শৌগাইজম সামসননা চীফ গেষ্ট অমসুং কংলৈ চেছ একাদমিগী ওর্গনাইজিং প্রেসিদেন্ট সনাশম উমানন্দনা প্রেসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

# এফ সি রেঙদাই ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী হৌজিক চথরিবা ১৩৫শুবা ইদিসন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা এফ সি রেঙদাই ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সিটি ৫না গ্রুপ-৬ থোক্লা খায়দোক্লুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা গ্রুপ-দিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা এফ সি রেঙদাই অমসুং গ্রুপ-সিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙম্লকখিবা এস সি দিল্লিনা থা অসিগী ১৬তা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা রাঞ্চিদা লৈবা বিরসা মুন্দা ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা নুমিৎ অসিমক্তদা কোলকটাদা লৈবা বিবেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা গ্রুপ-বিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙমখিবা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং গ্রুপ-এদগী সেকেন্দ বেষ্ট টিম অমা ওইনা চঙলকখিবা ইষ্ট বেঙ্গলগা শান্নগনি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা থা অসিগী ১৭তা কোলকটাগী ভিবেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা গ্রুপ-এগী ৱিন্নর মোহন বাগন অমসুং গ্রুপ-সিদগী অনীশুবা সেকেন্দ বেষ্ট টিম ওইনা চঙলকখিবা জমসেদপুরগা থেংনগনি।

মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা থা অসিগী ১৭তা শিল্লোংদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ-এফকী ৱিন্নর নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ অমসুং গ্রুপ-ইগী ৱিন্নর শিল্লোং লাজোংগা থেংনরগনি।

সেমি ফাইনেলনা থা অসিগী ১৯ অমসুং ২০দা শান্নরগা ফাইনেলনা থা অসিগী ২৩দা শান্নগনি হায়রি।

# নিলাকান্ত শর্ম্মা, সুশিলা চনু, বিচু দেবী খারিবম অমসুং শিলৈমা চনুবু ফামনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি










ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (এস এন এস)ঃ

পোষ্টেরিয়র হোক্কী একাদমি মণিপুর (ফাম)না গ্রাসরুটকী থাক্তগী শেম্লকখিবা নিলাকান্ত শর্ম্মা, পি সুশিলা চনু, বিচু দেবী খারিবম অমসুং খাইদেম শিলৈমা চনুনা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমদা শরুক য়ানবা অমদি অচৌবা থৌদাং লৌনবগীদমক হোক্কী ইন্দিয়ানা খল্লকখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নিলাকান্ত শর্ম্মা, পি সুশিলা চনু অমসুং বিচু দেবী খারিবম হয়েংদগী থা অসিগী ৩০ ফাওবা বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দসনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কী ৱার্ল্ড কপ অমসুং চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৯দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী টিমগীদমক খনখ্রবনি।

শান্নরোই ৩ অসিনা মখোয়গী হোক্কীগী খোঙচৎ গ্রাসরুট লেভেলদগী পোষ্টেরিয়র হোক্কী একাদমিদা হৌরকখিবনি। গ্রাসরুট থাক্তগী ইন্টরনেসনেল ষ্টেজতা য়ৌরকপা ঙমখিবা অসি একাদমি অসিগীদা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা মশান্না অসিবু পামজবা মীয়াম পুম্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাইনি।

নিলাকান্ত শর্ম্মা ২০২০দা টোকিওনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল, ২০২২দা হাংঝৌদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল, ২০১৬দা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লক্ষ্ণৌদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেদল লৌবগা লোয়ননা অতোপ্পা মশক নায়বা মালেমগী চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদসু মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোইনি। মহাক ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা অর্জুনা এৱার্দসু ফংখ্রবনি।

পি সুশিলা চনুনা ওলেম্পিক্স অনীরক্তা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ইনচিয়োনদা ২০১৪ অমসুং হাংঝৌদা ২০২২দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল অমসুং ২০১৩দা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাকসু অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবী লৈবাক অসিগী মশক নায়বা শান্নরোই অমনি।

হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱার্ল্ড কপ অমদি সেপ্তেম্বর থাদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা শান্নরোই ৩ অসিনা মখোয়গী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মায় পাক্লক্তুনা অমদি লৈবাক অসিগীতা নত্তনা লমদম অসিগী মায় পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

নাকল অমরোমদা একাদমি অসিদগী গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌখিবী খাইদেম শিলৈমা চনুনা থা অসিগী ৩০দগী মথং থাগী ১৩ ফাওবা চানাইনা য়ূম্বু ওইদুনা মোকিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ ঐচ এফ জুনিয়র ৱুমেন'স এসিয়া কপ ২০২৬দা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইনা লুচিংনবা খল্লকখিবা অসি চাউথোকচনিংঙাইনি। একাদমি অসিগী গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌরক্তুনা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা লৈবাক অসিগী জুনিয়র নুপী টিমগী কেপ্তেন ওইরকপা ঙমখিবা অসি মহাক্কী হোৎনজমন অমদি মরুওইনা একাদমি অসিগী কোচ ক্ষেত্রিময়ুম রোমেস সিংহ অমসুং নিংথৌজম চান্দিকুমারগী মহয়নি।

ফামদগী হৌখিবা শান্নরোই ৪ অসিনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীনবা ঙম্লকখিবা অসি লমদম অসিগী হৌরক্লিবা হোক্কী শান্নরোইশিংদা অচৌবা থৌনা অমা পীবা ঙম্লগনি। পীক্লবা লমদম অসিদগী শান্নরোই ৪না ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙম্বা অসি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না ফামগী চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়ানা কম্মনৱেল্‌ঠ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী ওভরওল টাইটল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে




লাগোস, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ

নাইজেরিয়াগী লাগোসতা চথরকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ ফেন্সিং ২০২৬দা ইন্দিয়ানা ওভরওল টাইতল লৌদুনা ১৯৮২দগী কম্মনৱেল্‌ঠ ফেন্সিং ফেদরেসননা পীদুনা লাকখিবা লেমজনিংঙাই ওইরবা ৱিলকিনসন স্বোর্দ ট্রোফি ফংবা ঙমদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

নুমিৎ মরিনিচুপ্পা চথখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী অন্দর-২৩ অমসুং সেনিয়র টিমনা গোল্ড ১৩, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৪ য়াওনা পূন্না মেদল ৩৫ লৌদুনা ওভরওল টাইতল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অরোয়বা নুমিৎ মরিনিশুবদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমনা টিম ইভেন্ট ৬তা অথোই অহেন তান্নবদা গোল্ড মেদল ৫ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী গোল্ড ৫ অদু নুপা অমসুং নুপীগী সেবর, নুপা অমসুং নুপীগী ইপি অমসুং নুপীগী ফোইলদা লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা নুপাগী ফোইল টিমনা সিলভর অমসু লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা অন্দর-২৩ ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টদা গোল্ড ৪, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ য়াওনা পূন্না মেদল ১৭ লৌদুনা মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌদোকপা ঙমখি।

অহানবা নুমিৎ অসিদা নিখিলনা নুপাগী সেবর, অসিতানা নুপীগী ফোইল, প্রাচি লোহাননা নুপীগী ইপি অমসুং জেফর্লিননা নুপীগী সেবরদা গোল্ড মেদল ৪ অদু লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী সেনিয়র কন্তিনজেন্টনা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ য়াওনা মেদল ৭ তোঙান তোঙানবা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টশিংদা লৌবা ঙমখি। নুমিৎ অসিদা ইন্দিয়াগী অমত্ত ঙাইরবা গোল্ড অদু নুপীগী সেনিয়র ইপি ইভেন্টদা টানিস্কা খাত্রিনা লৌখিবগা লোয়ননা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ফেন্সর খুসিনা সিলভর মেদল লৌখি।

হুমনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী ফেন্সরশিং অসিনা গোল্ড ৩, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ য়াওনা পূন্না মেদল ৫ লৌখি। গোল্ড মেদল ৩ অদু নুপীগী সেনিয়র ফোইল ইভেন্টদা কনগলক্ষমি, নুপাগী সেনিয়র ইপিদা রাজান্দ্রন সন্থিমোল অমসুং নুপাগী সেনিয়রগী সেবরদা করন সিংহনা লৌখি।

ওভরওল টাইতল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী ফেন্সিং কন্তিজেন্ট অসি মনু টিয়াগিনা মেনেজর, ভারটজি থাকোর, শ্রীহরি পিসে অমসুং সঙ্কর নরায়ননা কোচ, অমদি অন্নুতানা ফিজিওথেরাপি ওইনা লুচিংখি।

ফেন্সিং এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী জেনরেল রজিভ মহেতানা ফোঙদোকখিবদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ওভরওল টিম টাইতল লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই, কোচ অমসুং সপ্পোর্ট ষ্টাফ খুদিংমকপু চাউথোকচবা পোকই, কম্মনৱেল্‌ঠকী ওভরওল টাইতল অহানবা ওইনা লৌবা ঙম্বা অসি ইন্দিয়ন ফেন্সিংগী মনুংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী হিরম কয়াদা হোৎনরকখিবশিং অদুগী মহয়নি হায়খি।

# এসিয়ন গেমসকী এঠলেটিক্স কেম্প থা অসিগী ১৬তগী হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ

মথং থাদগী ওক্টোবর থা ফাওবা জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ত্রেক এন্দ ফিল্ড এঠলেটশিং ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা পূন্দুনা থা অসিগী ১৬তগী অরোয়বা প্রিপেরেটরি কেম্প হৌরগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী এঠলেটিক্স কন্তিজেন্টগী কেম্প অসি থা অসিগী ১৮দগী হৌগনি তৌরম্লবসু থা অসিগী ২২দগী মফম অসিমক্তদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স কন্তিনেন্তেল টুর সিলভর মীটনা মরম ওইদুনা নুমিৎ নীনি ঙনখৎনা হৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী এঠলেটিক্স কেম্প পাঙথোক্লবা মতুং ন্যু দিল্লিদা চৎতুনা মথং থাগী ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন এঠলেটিক্স ফাইনেল সেরিজতা শরুক য়াগনি। মসিগী মতুং সেপ্তেম্বর ১৯দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকীদমক ইন্দিয়া থাদোক্কনি হায়রি।

ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা কন্তিনেন্টেল টুর সিলভর মীট অসিনা এসিয়ন গেমসকী অরোয়বা ষ্টেজকী শেম শাবগী মাঙওইন্না এঠলেটশিং অমদি কোচশিংনা মখোয়গী পার্ফোমেন্স নৈনবগী খুদোংচাবা পীগদৌরি।

মীট অসিদা শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীবা এঠলেটশিং অদুনা এসিয়ন গেমসতা থাজবা অমগা লোয়ননা শরুক য়াবগা লোয়ননা অতোপ্পা এঠলেটশিংনা জপানগীদমক ইন্দিয়া থাদেক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মখোয়গী অশোনবা হিরমশিং অদু নৈনবগী মতম লৌগদৌরি।

# হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদু অমসুং হোক্কী মিজোরাম মায় পাকখ্রে




পুনে, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ মহারাষ্ট্রগী পুনেদা চথরিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱুমেন'স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা দিভিজন -বিগী তোঙান তোঙানবা পুলগী মেটচশিংদা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদু অমসুং হোক্কী মিজোরাম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা পুল-এগী মেটচতা মিজোরামনা দিল্লি হোক্কীবু গোল ৩-১দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা মিজোরামগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ১৮শুবা মিনিটতা টেপ্রু রিনা, ৩৪শুবা মিনিটতা ইস্থর অমসুং ৫১শুবা মিনিটতা অঞ্জনানা চনবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা দিল্লি হোক্কীগী অমত্ত ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী লোয়রমদাই ৫৮শুবা মিনিটতা দিপিকানা চনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা পুল-বিগী মেটচতা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুনা গোআন হোক্কীবু গোল ৪-০দা মায়থিবা পীখ্রে। টামিল নাদুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ১১শুবা মিনিটতা গোপিকা, ৮শুবা মিনিটতা প্রিয়াদর্সিনি, ৫৩শুবা মিনিটতা স্বাতি শর্ম্মা অমসুং ৫৮শুবা মিনিটতা থমরাইসেলভিনা চনবা ঙমখি।

# জেমিমাহ রোদ্রিগিস এসিয়ন গেমসকী স্কৱাদতা য়াওররোই

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ

জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা আইচি নগোয়াদা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী ষ্টার বেট্টর জেমিমাহ রোদ্রিগিস ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওরোই হায়না বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

২০২৫তা পাঙথোকখিবা আই সি সি ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়ানা টাইতল লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা জেমিমাহ থা অসিগী ৩দা ইংলেন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হেমষ্ট্রিংনা মরম ওইদুনা শোকখিবনি।

বি সি সি আইগী মেদিকেল টিম অমনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা সেন্তর ওফ এক্সলেন্সতা জেমিমাহগী অশোকপা অদু য়েংশিনখিবদা থাক ৱাংনা অশোকপা নঙবা থেংনখিবনি।



জেমিমাহনা অশোকপা নঙখিবদগী এসিয়ন গেমস অসিগী ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওবা ঙম্লরোইদবা মরম্না সেলেক্সন কম্মীটিনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুগী ময়াই চল্লকপা তাঙ্কক্তা অশোকপা নঙদুনা ৱার্ল্ড কপ অদুগী মখা তারকপা শরুক্তা য়াওবা ঙমখিদ্রবা প্রাতিকানা থা অসিগী ২৮দগী সেপ্তেম্বর ১৩ ফাওবা দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন'স টি ২০ এসিয়া কপ্তা জেমিমাহগী মহুৎ শীল্লগনি। অদুবু জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা জেমিমাহগী মহুৎ কনানা শীনগনি হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা বি সি সি আইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওরিবশিং অদুদি হরমনপ্রিট কোর, স্মৃতি মন্ধনা, সফালি বর্মা,ভারতি ফুলমতি, দিপ্তি শর্ম্মা, রিচা ঘোস, কামিলিনি, অরুনধাতি রেদ্দি, প্রেমা রাৱট, রাধা যাদব, শ্রী চরানি, রেনুকা থাকুর, নন্দনি শর্ম্মা, ক্রান্তি গোর অমসুং প্রাতিকা রাৱলনি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com